# ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা মকাও ওপনগী টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থল্লি



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৮ :
অহুল্লক চেম্পিয়ন ওইরিবা অমদি ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী চথবা হৌগদৌরিবা দোল্লর ১২০,০০০ মকাও ওপন গ্রান্দ প্রি গোল বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টদা মহাক্কী টাইটল দিফেন্স তৌনবগীদমক অকনবা মিৎয়েং থল্লি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা চিনা ওপন সুপর সেরিজ প্রেমিয়রগী টাইটল লৌখ্রবী অনীশুবা সীদ সিন্ধুনা মমাঙ হাপ্তাদা পাঙথোকখিবা হোং কোং সুপর সেরিজগী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবনি। মহাক্না মকাও ওপন অসিগী ফেভোরাইট ওইবতা নত্তনা মহাক্না অহৌবা কেম্প্যেনদা চিনাগী য়ু হানগা য়ুমশকৈপশা নুমিৎতা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা সিন্ধুনা টুর্ণামেন্ট অসিদা মহাক্কী মরিশুবা টাইটল লৌননবা খোঙফম শেল্লি। অদুগা মহাক্কী কম্পেট্রিওট অমদি টোপ সীদ সাইনা নেহৱালসু টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াদুনা টাইটল লৌননবা হোৎনগদৌরি।

সাইনা নেহৱালনা রিও ওলেম্পিক্সতা অশোকপা লৈখিবদগী থা অনীমখায় চুপ্ন া শান্নদনা লাকখ্রবা মতুং চিনা অমদি হোং কোং ওপনদা শরুক য়াখিবদা য়াম্না ঙন্না টুর্ণামেন্টদগী মপান থোকখিবনি।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদা মখুউগী অনাবা লৈবদগী সর্জরি তৌখ্রবা মতুং রিহেবিলিটেসন প্রোগ্রাম চথখি। মতুং তারকপদা মহাক্কী কোচ বিমলকুমারগা লোয়ননা অকনবা প্রেক্টিস তৌখি।

মহাক্না হোং কোং ওপনদা শরুক য়াখিবদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি। হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ইন্দিয়ন অসিনা মকাও ওপনগী ওপনিং রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী হানা রমাদিনিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। অনৌবা সিজন অসিদা সাইনানা টাইটল লৌনবগীদমক পান্দম থল্লি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা নেসনল চেম্পিয়ন সমীর ভর্মানা মহাক্কী কেম্প্যেনদা চেক্কী মিলন লুদিককা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। সমীর ভর্মানা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা হোং কোং ওপনগী ফাইনেলদা মায়থীদুনা রন্নস-অপ তাহৌখিবনি। মহাক্না মকাও ওপনদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা টাইটল লৌনবা অচেৎপা ফীরেপ লৌরি।

দেনমার্ক ওপনদা শরুক য়াখ্রবা মতুং তুমিন্না লৈরুরবা পি কৈশয়পনা ওপন অসিদা শরুক য়ারগনি। কৈশয়পনা হায়খি, দটচ ওপনগী মতুংদা ঐগী হকচাং ফিট ওইখিদ্রবসু ঐনা দেনমার্কতা শান্নখি। অদুবু ফিট ওইদবনা মরম ওইদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিদে। ওপন অদুগী মতুংদা ঐনা মতম খরা পোখাদুনা অকনবা মওংদা ট্রেনিং তৌখি। ঐহাক্না গোপীগা পারগা ট্রেনিংশিং চথখি হায়না হায়খি।

ঐচ এস প্রন্নোয়না মহাক্কী কেম্প্যেনদা চাইনিজ টাইপৈগী চুন রৈ চেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। অহুমশুবা সীদ শ্রীকান্টনা অহানবা ওপনিং রাউন্দদা বাই ফংখি। অদুগা বি সাই প্রনীথনা লোকেল শট্টলর লাম হৌহিমগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী প্লেয়রদা অহুমশুবা সীদ মানু আত্রি অমদি বি সুমীথ রেদ্দিনা হোং কোংগী চান অলান য়ুন লুঙ অমদি লী কুয়েন হোনগা লম্বা তৌদুনা নুপাগী দবলসতা শান্নগনি। অদুগা জৱালা গুট্টানা মহাক্কী অনৌবা পার্টনর মনু অট্রিগা পাদুনা ইন্দোনেসিয়াগী জুরা সত্র্যা অদিথা অমদি এপ্রিলসাসি পুট্রি লিজারসার ভেরিলাগা মিক্স দবলসতা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# প্রানভ জেরি চোপ্রা-এন সিক্কি রেদ্দিনা স্কোটলেন্দ ওপনগী রন্নরস-অপ তাখ্রে



গ্লাসগো, নবেম্বর ২৮ :
টোপ সীদেদ প্রানভ জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দিনা মফম অসিদা চথরিবা স্কোট্রিস ওপন গ্রান্দ প্রিগী ফাইনেল মেচতা মালেসিয়াগী জুরা গোহ সুন হুঅট অমদি শেভোন জেমি লাইগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা রন্নরস-অপ তাখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ব্রাজিল ওপন গ্রান্দ প্রিগী টাইটল লৌখিবা প্রানভ অমদি সিক্কিনা অহানবা গেমদা মায় পাক্না চঙশিনখ্রবসু মখা তানা গেমদা নেম্না চৎখিদুনা ২১-১৩, ১৮-২১, ১৬-২১ দা পুং অমা চঙনা শান্নখিবা অদুদা মায়থীহৌখি।

অহানবা গেমদা প্রানভ অমদি সিক্কিনা মেচ হেক হৌবগা ৪-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি অদুবু মালেসিয়াগী জুরানা নিংথিনা খুৎ হল্লক্তুনা ইন্দিয়াবু লাকশিন্না থমখি। অদুমকপু ইন্দিয়ননা ১১-৬ তা অমুক হন্না মাঙজিল থানা চৎখি। গোহ অমদি লাইনা মাঙজিল থানবা হোৎনরকখি অদুবু প্রানভ অমদি সিক্কিনা মখা তানা মাঙজিল থানা চৎখিদুনা গেম অদু ২১-১৩ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা প্রানভ অমদি সিক্কিনা ৬-৩ দা মাঙজিল থাখি। মখোয়না ইন্টরভেল ফাওবদা ১১-৭ তা লৈখি অদুবু গোহ অমদি লাইনা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা ১৩-১৩ দা চাং মান্ননা লৈখি। মালেসিয়ানা ইনিদয়নবু মখা থানা ইন্থরল্লগা ১৯-১৬ তা লৈখ্রবা মতুং প্রানভ অমদি সিক্কিনা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখ্রবসু মখোয়গী রাইভেলবু নক্ষৎপা ঙমদনা গেম অদু মালেসিয়ানা ২১-১৮ দা মায় পাকখি।

দিসাইদরদা প্রানভ অমদি সিক্কিনা ষ্টেজ অমদা ৬-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি অমদি মখোয়না ব্রিক মতুংদা ১৬-১২ দা মাঙজিল থানা লৈখি অদুবু মালেসিয়ননা পোইন্ট মাপন লৌখিদুনা ইন্দিয়নবু নক্ষৎখিদুনা মায় পাকখি।

# কনফেদরেসন কপ্তা জর্মনিনা চিলিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি

কজান, নবেম্বর ২৮ : ৱর্ল্ড কপ ৱিন্নর জর্মনিনা লাক্লিবা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা কনফেদরেসন কপকী গ্রুপ ষ্টেজদা সাউথ অমেরিকান চেম্পিয়ন চিলিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।




জর্মন অসিনা গ্রুপ বিগী মেচতা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি সাউথ অফ্রিকান চেম্পিয়নগা লম্বা তৌদুনা মখা তানা শান্নগনি। জর্মনিগী কোচ জাওচিম লিওনা হায়খি, মেচ অসিদা শান্নবা ফংগদৌরিবা নহা ওইরিবা প্লেয়রশিংগীদমক্তদি খ্বাইদগী ফবা ওইরগনি। অদুবু ঐখোয়না অরিংবা টিম অমা চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক থাদোক্কনি হায়না সিনিয়র প্লেয়র খরা লৌথোক্তুনা নহা ওইবদা খুদোংচাবা পীগদৌরিবা কোচ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন পোর্টুগালনা য়ুম্মু রসিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। গ্রুপ এদা য়াওরিবা অতোপ্পা টিমশিংদি মেক্সিকো অমসুং ন্যু জিলেন্দনি। সেন্ট পিটরসবার্গতা পাঙথোক্কদৌরিবা কপ অসিগী ওপনিং গেমদা রসিয়ানা ন্যু জিলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। পোর্টুগালগী কোচ ফর্নান্দো সন্তোশনা হায়খি, কপ অসিদা ঐখোয়না চেম্পিয়ন ওইগনি হায়বগী ফেভোরাইট ওইদ্রবসু ঐখোয়না মায় পাক্কনবা হোৎনগনি। রসিয়াগা ঐখোয়গা পুন্না তামিন্নরিবা গ্রুপ অসি য়াম্না টফ ওইগনি হায়না ঐনা থাজে। য়ুম্মু ওইরিবা রসিয়ানা টুর্ণামেন্ট অসিগীদমক মখোয়গী টিমবু অনৌবা কোচনা শেম-শাবগী থবক মায় পাক্না চঙশিল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

টুর্ণামেন্ট অসি মথং চহীগী জুন ১৭ ত্তী জুলাই২ ফাওবা মোস্কো, সেন্টপিটরসবার্গ, কজান অমদি সোচিদা পাঙথোক্কনি।

কপ অসি কুমজা ২০১৮ দা রসিয়ানা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপকী মাঙওইননা পাঙথোকপা টুর্ণামেন্ট অমনি। টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা লৈবাকশিংগী মশক থোক্লবা প্লেয়রশিং মশক খঙবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

# ইন্দিয়াগী সকেথ মৈনেনি, নোর্ৱেগী কেম্পর রুদনা চেন্নাই ওপনগী ৱাইল্ড কার্দ ফংখ্রে



চেন্নাই, নবেম্বর ২৮ :
ইন্দিয়াগী টেনিস প্লেয়র সকেথ মৈনেনি অমসুং নোর্ৱেগী টেনিস প্লেয়র কেম্পর রুদনা লৈবাক অসিগী মতম শাংনদগী চথদুনা লাকপদা নত্তনা লেমজনিংঙাই ওইরবা ইন্টরনেসনল ইভেন্ট অমা ওইরিবা ২২শুবা এদিসন চেন্নাই ওপনগী ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ফংখ্রে।

চেন্নাইগী হেরো রামকুমার রমানাথনবু হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অহানবা ৱাইল্ড কার্দ পীখিবদগী প্লেয়র ২১ না শরুক য়াগদৌরিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা মালেমগী তরুকশুবা মফমদা লৈরিবা ক্রোসিয়াগী মরিন সিলিকনা মকোক থোংবা প্লেয়র ওইরিবনি। অদুগা ওপন অসিগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদগী অতোপ্পা প্লেয়র মরি অমসু জন্যুৱারী ২ দগী চথবা হৌগদৌরিবা ইভেন্ট অসিদা খুমাঙ চাউশিনল্লক্কনি।

এসিয়ন গেমসতা সিক্স দবলসকী গোল্ড অমদি নুপাগী দবলসতনা সিলভর মেদল লৌখিবা মৈনেনিনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা মালেমগী ওইবা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াদুনা মায় পাক্না চঙশিল্লক্লিবা ইন্দিয়াগী টেনিস প্লেয়র ওইরিবনি। হৌজিক ৱর্ল্ডগী রেঙ্কিংদা ১৯৮ শুবা মফমদা লৈরিবা ইন্দিয়ন অসিনা সাউথ এসিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা এ টি পি ৱর্ল্ড টুর ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী চেল্লেঞ্জর ওইগনি।

এয়রসেল চেন্নাই ওপনদা থংন-থংননা মরিরকশুবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা মশাগী চহী ২৯ শুরবা হায়দ্রবাদ মচা অসিনা হৌখিবা চহী অনীদগী দেভিস কপ টিমগী শরুক অমা ওইদুনা লাক্লি অমদি মশাগী অশোকপা নংখ্রবসু চহী অসিগী জুলাই থাদা শান্নখিবা এসিয়া-ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান টাইদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু মায়থীবা পীখিবা অদুদা চাউনা মতেং পাংখিবদা নত্তনা য়ু এস ওপনগী মেইন দ্রোসু চঙদুনা অহানবা রাউন্দ ফাওবা মায় পাকখিবনি।

নাকল অমরোমদা, মশাগী চহী ১৯ শুরবা নোর্ৱেগী রুদসু তুংগী আশা লৈরিবা প্লেয়রনি। চহী অসিদা মহাক্না জুনিয়র ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবগা লোয়ননা সেনিয়র টেনিসতা শান্ননবা ফীরেপ লৌদুনা ফ্যুচর্স টুর্ণামেন্টশিংদা মিৎয়েং থল্লকখি অমদি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থা ফাওবগী মনুংদা স্পেনদা মহাক্কী অহানবা টাইটল লৌখ্রবা মতুং ফাইনেল মরিদসু চঙবা ঙমখিদুনা অতোপ্পা টাইটল অমসু লৌখি। রুদনা থা অনীগী মমাঙদা কোপা সেভিল্লাদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবদা মহাক্কী অহানবা এ টি পি চেল্লেঞ্জরস টাইটল লৌদুনা খ্বাইদগী চহী নৌবা মরিশুবা প্লেয়র ওইখিবনি।

রুদনা এয়রসেল চেন্নাই ওপনদা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা কুমজা ২০১৭ কী সিজন অসি মায় পাক্না হৌদোক্নবা অচেৎপা ফীরেপ থল্লি।

# অর্জেন্টিনানা ক্রোসিয়াবু মায়থীবা পীদুনা দেভিস কপকী টাইটল লৌখ্রে



জাগ্রেব, নবেম্বর ২৮ :
অর্জেন্টিনাগী জুআন মার্টিন দেল পোট্রো অমদি ফেদরিকো দেলবোনিসনা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা রিভর্স সিঙ্গলসতা মায় পাকখিদুনা মখোয়গী অহানবা দেভিস কপ টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অসিনা জাগ্রেবতা চথখিবা দেভিস কপকী ফাইনেলদা য়ুম্মু ক্রোসিয়াবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল অদু লৌখিবনি।

দেল পোট্রোনা সিঙ্গলস মেচতা মারিন সিলিকপু ৬-৭ (৪), ২-৬, ৭-৫, ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা দেলবোনিসনা ইভো কার্লোভিকপু ৬-৩, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। অর্জেন্টিনানা মমাঙদা শান্নখিবা দেভিস কপকী ফাইনেল মরিলক্তা মায়থীখ্রবসু ঙরাং শান্নখিবা অদুদা মায় পাক্তুনা মখোয়গী অহানবা টাইটল লৌবা ঙম্নবসু ওইখি।

দেল পোট্রোনা মহাক্কী ওইথংবা খুৎকী খুৎশা তেকখ্রবসু মেচ অদুদা সেট মঙা শান্নদুনা মায়োক্নখিবা লম্বাবু নক্ষৎখি।

মেচ অদু লোইখ্রবা মতুং দেল পোট্রোনা হায়খি, ঐনা মেচ অদুগী অরোইবা সেট মঙাদা বোল কন্ট্রোল তৌনা শান্নখিদুনা মায় পাকখি হায়না ফোঙদোকখি।

মেচ চথরিঙৈ মনুংদা অর্জেন্টিনাগী য়াল্লবা ফেনশিংনা মিৎয়েং তাখি। মখোয়শিংগী মনুংদা লৈবাক অদুগী হান্নগী সোক্কর ৱর্ল্ড কপ ৱিন্নর দিঙ্গো মরাদোনানা ভি আই বি বোক্সতা ফমদুনা মিৎয়েং তাখি।

ক্রোসিয়াদগী হৌরকখিবা অর্জেন্টিনাগী কোচ দেনিএল ওর্সানিকনা মহাক্কী প্লেয়রশিংবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎখি অমদি দেল পোট্রোগী হেরোগুল্লবা থৌনা অদুবু শিংথাখি।

মহাক্না হায়, দেল পোট্রো অসি অঙকপা প্লেয়র অমনি। মহাক্না মহাক্কী লৈবাক্কীদমক অঙম্বা থৌনা পুথোক্তুনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মমাঙদা চাউথোকচহনখি হায়না হায়খি।

# নেসনল ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট জুনিয়র এথলেটিক মীটকী অরোইবা নুমিৎতা অনৌবা রেকোর্দ অহুম থমখ্রে



ভিসাখাপটনম, নবেম্বর ২৮ :
মফম অসিগী উক্কুনাগারামদা লৈবা কোল সি কে নায়ুদু ষ্টেদিয়মদা নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিনখিবা ১৪শুবা নেসনল ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট জুনিয়র এথলেটিক মীটতা অনৌবা মীট রেকোর্দ অহুম থমখ্রে।

থাঞ্জাভুরগী পি এম থাবিথানা মিটর ১০০ গী লমজেলদা ১৫.৩৭ সেকেন্দ চেন্দুনা গোল মেদল লৌখি। মহাক্না কুমজা ২০১৪ দা দেল্লিগী সিভাঙ্গি রৱাটনা ১৫.৬৮ সেকেন্দ চেন্দুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়খি।

মথুরাগী সুরজ কুমারনা চহী ১৬ মখাগী জেভলিন থ্রোগী ফাইনেলদা মিটর ৬৩.৭৫ শান্না লংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

কুমজা ২০১৫ দা ঝাজরদা বেজ তৌবা রভিন্দ্রনা মিটর ৬৩.৬৫ শান্না লংদুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়খি।

চহী কাঙলুপ অসিগীদা ভৈশালিগী দিভেয়েন্দু অচার্যিনা মিটর ২০০ গী ফাইনেলদা ২৩.০০ সেকেন্দ চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

কুমজা ২০১৩ দা অলোক কুমার সিংহনা ২৩.৩৮ সেকেন্দ চেন্দুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়খি। সিতাপুরগী রাহুল শর্মানা চহী ১৬ মখাগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা ১১.৪৯ সেকেন্দ অমসুং থঞ্জাপুরগী জেয়া বেনিশা সুসাননা ১৩.১৪ সেকেন্দ চেন্দুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী খ্বাইদগী য়াঙবা এথলেট ওইখি।

নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী মিটর ১০০ গী লমজেল অদুদা হায়দ্রবাদকী বালকিষননা ১১.৬০ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমসুং নোর্থ দিল্লিগী শিভম ভাম্নভনা ১১.৬১ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। মিটর ২০০ গী লমজেলদা কাদাপাগী জি ধনুশ কুমারনা ২৩.৪১ চেন্দুনা অনীশুবা পোজিসন অমদি নোর্থ দিল্লিগী অকাশ য়াদভনা ২৩.৪১ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

মিটর ১০০ গী হর্দলসতা ভরানাসিগী সত্যাম মিশ্রানা ১২.২৪ সেকেন্দ চেন্দুনা অনৌবা মীট রেকোর্দ থমখি। কোজিকোদেগী কে ফাদহিননা ১৪.৬২ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমসুং হায়দ্রবাদকী য়াশৱান্থ কুমারনা ১৪.৬৩ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

হায় জম্প ইভেন্টদা পাঞ্চকুলাগী রভিকুমারনা মিটর ১.৯১ ৱাংনা চোংদুনা অহানবা, সিরসাগী অকাশনা মিটর ১.৮৮ চোংদুনা অনীশুবা অমসুং গান্ধিনগরগী শিভজিৎনা মিটর ১.৮৮ চোংদুনা অহুমশুবা তাখি। জেভলিন থ্রোদা মথুরাগী সুরজকুমারনা মিটর ৬৬.৭৫ শান্না লংদুনা অহানবা, মেরুটকী সনি চৌধরিনা মিটর ৫৫.২২ লংদুনা অনীশুবা অমদি প্রকাসমগী ৱাই ভিজয়না মিটর ৫৪.৫০ লংদুনা অহুমশুবা তাখি। দিস্কস থ্রোদা সিরসাগী ভিক্রম সিংহনা মিটর ৪৩.৭৯ লংদুনা অহানবা, বাগপেটকী অশিশনা মিটর ৩৮.৪৯ লংদুনা অনীশুবা অমসুং কুদ্দালোরগী জি লোকেশ রাজনা মিটর ৩৯.২১ লংদুনা অহুমশুবা তাখি।


ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No.-729
Only25 Seats per class(each section)
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL &ENGINEERING COURSE (2017)
COHSEM
The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts
CBSE
Sc. & ARTS
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII
TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM
ARTS & Sc.
Class xii Sc./Arts(COHSEM) from 1st Dec.
Class xii Sc./Arts(CBSE) 1st Dec.
Class x-SA II 24th Nov.
Special Revision X &foundation Course for ix,x
Early morning batch 6am to 10am (25 seats)
Late morning batch(25) 10.30am to 2.30pm
Early morning batch 3pm to 7pm (25 seats)
Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students
Separated boys,girls hostel,van service library facility #7308911167/9862992105
starting from 8th,15th Dec.
HL-B/3446/4/11-3/12



HL-B/3471/29 N, 1-31 D, 2-16 Jan. '17 (Alt.)